# Manipuri
# (Modern Indian Language)

## New Course

Class - X

Full Marks - 100, Pass Marks - 30

Time -Three hours.

## Group -A

১। ৱাহৈ অমা নত্রগা অনীদা পাউখুম পীয়ু ঃ- ১×১০=১০

ক) ‘পোক্লফম লমদম’ শৈরেংসি কনানা ইবনো ?

খ) স্বার্থত্যাগ কী অর্থ করিনো ?

গ) ‘কৎলুসি ইমাগী খুয়াদা’

- কনানা করি কৎলুসি হায়রিবনো ?

ঘ) ‘ৱারবা পুন্সিনা মুনা মুনা য়েংলম্মী।’

- য়েংলিবসি করিদনো ?

ঙ) ‘লৈখোঙ নোংখোঙ নেম্মো’

- হায়রিবসিগী অর্থ করিনো ?

চ) কনানা ৱাহৈবু ‘Incarnation of thought’ নি হায়রম্মী ?





ছ) ‘নিপা খুদিং লালোয়নি’।

-ৱাফম অসিদা ‘লালোয়’ গী অর্থ করিনো ?

জ) ‘প্রতিভা’ হায়রিবা অসিগী ৱাহন করিনো ?

ঝ) মালেমগী ওইবা ‘পোলো’ শান্নবগী পথাপ কনানা শেম্বগে ?

ঞ) ‘চক অমগী মতম কয়ানো ?

২. তেন্তক্লা পাউখুম পীয়ু ঃ- (৫ খক্কী) ৩×৫=১৫

ক) ‘লোক সাহিত্য’ হায়রগা করিবু খঙবগে ?

খ) হৌজিক্কী নুপীশিংনা লাইরিক হৈরবসু মতীক চাবা সন্মান ফংদ্রিবসি করিগীনো ? অইবীগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না শন্দোক্লা তাকউ।

গ) মৈতৈগী শগোল কাঙজে শান্নবগী পোরমগা, মালেমগী ওইবা পোরমগা করি খেন্নবগে ?

ঘ) মতৌ করম্না মীওইবা সমাজ হায়বসি ওইরকখিবগে ? পারাগা মরী লৈননা ইয়ু।

ঙ) মমাংঙৈগী নুপীশিংগী থৌনাগা হৌজিক্কীগা য়াম্না খেন্নৈ হায়বদু খুদম পীদুনা উৎলু।

চ) কলাবু করিগীদমক থবক্কী মহৈনি (Practical Art) হায়রিবনো ?

৩। মখাগী ৱাহং অসিদগী (অনিখক্কী ) পাউখুম পীয়ু ঃ- ৩×২=৬

ক) ‘মলেমদা অনি শুদবা

অমত্তা ঙায়বা মফমনি’।

-মথক্কী ৱাফমসিদা ‘অমত্তা ঙায়বা’ হায়রিবসি করিবুনো অমসুং করিগীদমক হায়রিবনো ? ১+২=৩

খ) ‘স্মৃতি’ হায়বা শৈরেং অসি করম্বা মখলগী শৈরেংনো ? অতৈ শৈরেংগা করি খেন্নবগে ? ১+২=৩

গ) ‘দেবদূত’ হায়রগা করিবু খঙনবগে ? কবিবু করিগীদমক ‘অমৃত্তগী দেবদূত’ হায়না কৌরিবনো ? ১+২=৩

৪। মরী মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ- ৫×২=১০

ক) মীনুংশি পকত্রবা জগৎকী ফম্বাক্তা,
নহাক্কী শৈরেংগী অমৃত ৱাহৈনা,
পীরাংগী জগৎতা মীনুংশি পুরকই।’

নত্রগা

খ) কোরৌ খোংদুম খোংলকও
লাইজ ঈথাবী নঙ থাবিরকও
লাইজ ঈখায়বী নঙ খায়থবীরকও।

গ) মহৈশিং অসি হৈবা মীওইবনা জীবশিংগী মরক্তা অসিগুম্বা ফীভম অসি য়ৌরিবনি, মদু ঈশিংদা কংফান্দা নত্রগা অতিয়াদা লৈবা জীব পুন্নমক্না কৈদৌঙৈদসু য়ৌবা ঙমদ্রিবনি অমসুং মীওইবগী মখাতা পোন্দুনা লৈরগনি।

নত্রগা

ঘ) যঙ্গোল যন্না হৈনম-লৈমন চেল্লম্বা থোল্লুবা নুপী ওইবী শাগৈনা মাঙশোক খুদা য়াজবা ৱানা থোল্লুমগনি।

৫। ক) কবিনা য়োৎ অমদি চেক্কী মন্দির শাবগী মহুত্তা লৈগী মন্দির শারুসি হায়রিবসিগী মরম করিনো ? ২×২=৪

খ) ‘নোংলাউ ঈশৈ’ হায়রগা করিবু খঙনবগে ?





৬। ক) ‘মণিপুর মানি ভারতকী সুইজারল্যাণ্ড’
-মথক্কী ৱাফম অসি কনানা করি মরমগী হায়রম্বনো ? ২

খ) মতম অসিগী মীওইবা বিজ্ঞান অমসুং খুৎ-শা হৈবগী চাউখৎপা অসি মপুং ফারব্রা ? অইবগী মতুং ইন্না নৈনৌ। ৩

৭. ক) অঙাং ওইরিঙৈদা বিনোবা ভাবেগী মিং করি কৌরম্মী অমসুং ‘বিনোবা’ হায়বা মিং অসি কনানা থোনখিবনো ? ১+১=২

খ) কাশী হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়গী সমাবর্তন্দা মহাত্মা গান্ধীনা পীখিবা ঐতিহাসিক ৱাফোঙদু করিনো অমসুং ৱাফোংদুনা বিনোবাগী পুন্সিদা করি অৱোনবা পুরকখি। ৩

গ) (HIV) ঐচ , আই, ভি হায়বসি করিনো ? মসিনা করম্বা মখলগী লায়না শন্দোকপগে ? ৫

নত্রগা

ঘ) ‘এইডস’ হায়রিবা অনাবদগী কন্নবা মাংজৌননা লৌবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু করি করিনো ? ৫

## Group - B

৮. হীরম অমদংগী মরমদা (রচনা) ৱারেং ইয়ু ঃ- ১০

ক) আসামগী মহৌশাগী লন।
(মরমশিং - ৱাহৌদোক -মখল মখাগী পোথোক - কান্নবা অমসুং ৱারোইশিন)

খ) কম্পিউটর।
(মরমশিং - ৱাহৌদোক - কম্পিউটরগী মখল- কম্পিউটরগী শরুকশিং

- কান্নবা - অমাংবা অমসুং ৱারোইশিন)

৯. ক) কদাইবু কৌবগে খুদম পীদুনা তাকউ ঃ- (২ খক্কী) $2^{1}/_{2}\times 2=5$

(i) ৱাৱোং (বাচ্য)

(ii) ৱাতপ (প্রত্যয়)

(iii) তুংবান ৱাপুন

(iv) থৌবাঙ (কারক)

খ) য়েক্তিন (সন্ধি) থুগায়য়ু (২ খক্কী) ঃ ১+১=২

তাধন, কচ্চবা, লীরোনবা।

গ) পাউদম ওল্লু ঃ- ১+১=২

(i) ওঝানা ছাত্রশিংদা হায়রম্মী, "পারা ফারকউ।"

(ii) চাওবনা মহাক লাইরিক পাই হায়না হাই।

ঘ) মখাগী ৱাহে পরেংশিং অসিগী অরানবা চুমথোকউ ঃ- (২ খক্কী) ১+১=২

(i) নং শানা শোকউ।

(ii) ঐনা মহাকপু লুপা অমা পি।

(iii) তোম্বনা জয় ওইরে।

ঙ) ৱাহে পরেংশিং অসিগী অর্থ পীরম্মু ঃ (৪ খক্কী) ১×৪=৪

ইনুংশোরা তৈবা, উত্তা ঘী হৈবা, উহৈনা উশক তাকই,

লৈচিন্দা তেন কাপ্পা, থীক নেম্বনা থা লাম্বা।

১০. নুংগী ঈচেল (ভাব) শন্দোকউ ঃ ১×৫=৫

"চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং।"

নত্রগা

"অরংবা ঙাক্তা সনা নত্তে।"



১১. পীরিবা ৱারেং মতুপ অসি পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু ঃ ১০

"সভ্যতা হায়বা ৱাহৈসি চনৈনবা অর্থ কয়া চেল্লি। পোৎশক্কী জগৎতা থাজরবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদদি বিজ্ঞানগী অয়ৌবী থাক য়ৌববু সভ্যতানি হায়না লৌনৈ। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ভারতবাসীশিংনদি পুক্নিং অমসুং আত্মাগী মপুংফাবা অপেনবা ফংননবদুবু সভ্যতানি লৌনৈ। সংস্কৃতি হায়বসি পুক্নিং আত্মাগী অপেনবা ফংনবগী পাম্বৈদুনি হায়বসিনা হিন্দু ফিলোসোফিদা থাজবশিংগী মতনি। অদুনা জাতি অমগা জাতি অমগী ৱাখল খেন্নবা, ফিলোসোফি খেন্নবগী মতুং ইন্না সংস্কৃতিসু খেন্নৈ। চীংলোন মাপন্না ইকোয় কোয়শিল্লবা মণিপুরগী খায়দগী তোপ তোপ্পা সংস্কৃতি অমা লৈজে হায়বসিসু শোয়দ্রবনি, লৈসু লৈরিবমক্লি। মশাগী ওইবা সংস্কৃতি অমা লৈজদ্রবা জাতিদুদি য়ুম্ফম য়াওদ্রবা য়ুমগা পাংখক্লি। মায়কৈ অসোমদা য়েংলুরবদি মণিপুরী জাতিদি তশেংনমক লাইবক ফরবনি। অসুন্না তোপ-তোপ্পা সংস্কৃতি অমা লৈজবনা মশীং য়ামদ্রবা মণিপুরীশিংনা ঙসি পৃথিবীগী জাতি পুন্নমক্কী ইকায়খুন্নবা ফংলিবনি।

ৱাহংঃ (ক) নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা করিবু সভ্যতানি হায়না লৌনবগে? ২

(খ) ভারতবাসীশিংনা করিবু সভ্যতানি হায়না লৌনবগে? ২

(গ) হিন্দু ফিলোসোফিদা করিবু সংস্কৃতিনি হায়না লৌনবগে? ২

(ঘ) মণিপুরী জাতিবু করিগীদমক লাইবক ফবনি হায়রিবনো? ২

(ঙ) জাতি অমগা জাতি অমগা সংস্কৃতি খেন্নবগী মরম করিনো? ২

# BLUEPRINT

SUBJECT : MANIPURI (MIL) | CLASS : X

UNIT PAPER :____________ | MAXIMUM MARKS : 100 | TIME : THREE HOURS

| SL.NO | OBJECTIVES | KNOWLEDGE | | | | COMPREHENSION | | | | EXPRESSION | | | | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Form of Questions / Units/Sub units | E/LA | SA | VSA | O | E/LA | SA | VSA | O | E/LA | SA | VSA | O | |
| 1 | পোক্নফম লমদম | | 3(1) | 1(1) | - | - | - | - | - | - | - | - | - | 4(2) |
| 2 | মৈতৈ চনু | | - | 1(2) | - | - | - | - | - | - | 2(1) | - | - | 4(3) |
| 3 | স্মৃতি | | - | 1(1) | - | - | - | - | - | - | 3(1) | - | - | 4(2) |
| 4 | কবি | | | - | - | 5(1) | - | - | - | - | - | - | - | 5(1) |
| 5 | নোংলাউ ইশৈ | | 2(1) | 1(1) | - | - | - | - | - | - | - | - | - | 3(2) |
| 6 | কলা | | - | 1(2) | - | - | - | - | - | 5(1) | - | - | - | 7(3) |
| 7 | মণিপুরী লোকসাহিত্য | | 3(1) | 1(1) | - | - | 2(1) | - | - | - | - | - | - | 6(3) |
| 8 | সমাজ অমসুং সংস্কৃতিদা নুপীগী থৌদাং | | - | - | - | - | 3(1) | - | - | - | 3(1) | - | - | 6(2) |
| 9 | শগোল কাঙজৈ | | - | 1(2) | - | - | 3(1) | - | - | - | - | - | - | 5(3) |
| 10 | মীওইবা সমাজ অমসুং সভ্যতা | | - | - | - | - | 3(1) | - | - | - | 3(1) | - | - | 6(2) |
| 11 | আচার্য বিনোবা ভাবে | | 2(1) | - | - | - | - | - | - | - | 3(1) | - | - | 5(2) |
| 12 | ভাইরাস অমসুং তমথীরবা লায়না | | - | - | - | 5(1) | - | - | - | - | - | - | - | 5(1) |

| SL.NO | OBJECTIVES | KNOWLEDGE | | | | COMPREHENSION | | | | EXPRIESION | | | | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Form of Question / Units/Sub units | E/LA | SA | VSA | O | E/LA | SA | VSA | O | E/LA | SA | VSA | O | |
| 13 | রচনা | | - | - | - | - | - | - | - | 10(1) | - | - | - | 10(1) |
| 14 | ব্যাকরণ | | - | 1(4) | - | - | $2\frac{1}{2}$(2) | - | - | - | - | 1(6) | - | 15(12) |
| 15 | ভাব শব্দোকপা | | - | - | - | 5(1) | - | - | - | - | - | - | - | 5(1) |
| 16 | Composition | | 2(3) | - | - | - | 2(2) | - | - | - | - | - | - | 10(5) |
| | Sub Total | | 16(7) | 14(14) | - | 15(3) | 20(8) | - | - | 15(2) | 14(5) | 6(6) | - | 100(45) |
| | Total | 30(21) | | | | 35(11) | | | | 35(13) | | | | 100(45) |

*Notes:* Figures within brackets indicate the number of questions and figures outside the brackets indicate marks.
* Denotes the marks have been combined to form one question

*Summary:*
Long Answer (LA) or Essay (E) — No. 5 — Marks : 30
Short Answer (SA) — No. 20 — Marks : 50
Very Short Answer (VSA) — No. 20 — Marks : 20
Objective (O) — No. — Marks : -

Scheme of Options: 'OR' - Question
Scheme of Sections: Group A & B
Difficulty level: Difficut 15% Avarage 65% Easy 20%